# রিও ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সক্সি মালিক রেষ্টলর সৈত্যব়ার্ট কাদিয়ানগা পুন্সি লৈপুন শেমখ্রে



রোটক, এপ্রিল ০৩ ঃ রিও ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট রেষ্টলর সক্সি মালিক ঙরাং সৈত্যব়ার্ট কাদিয়ানগা লোয়ননা পুন্সি লৈপুন শেমখ্রে।

হরিয়ানাগী রোটক হায়রিবা সক্সি মালিক্কী পোক্লফম লমদমদা ঙরাং সক্সি মালিক গ্লেপর সৈত্যব়ার্ট কাদিয়ানগা পুন্সি লৈপুন শেমখিবা অদুদা লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা শান্নরোয় অমদি পোলিটিসিয়ন কয়ানা শরুক য়াখি।

কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সতা সক্সি মালিকনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরক্তুনা ইন্দিয়াগী মেদলদা চাউনা মতেং পাঙখিবনি। শরুক ইরবী রেষ্টলর সক্সি মালিক অমদি রেষ্টলর সৈত্যব়ার্ট কাদিয়ান মখোয় অনী হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদা এনগেজ তৌখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্তা সক্সি মালিকনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা মহাক্কী এনগেজমেন্ট থৌরম পাঙথোকখিবনি। সক্সি মালিক অমসুং সৈত্যব়ার্ট কাদিয়ান অনীগী পুন্সি লৈপুন শেন্নবগী য়াম্না চীং লেন্নবা থৌরম অদুদা ওলেম্পিক্সতা অনীরক থংনা থংননা মেদল লৌরকখ্রবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইরবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা রেষ্টলর সুসিল কুমারসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর ভুপিন্দর সিংহ হুদা অমদি সেনিয়র ইন্দিয়ন নেসনল লোক দলগী লুচিংবা অভে সিংহ চৌটালাসু শরুক য়াখি। মশাগী চহী ২৪ খক শুখ্রবী রেষ্টলর সক্সি মালিকনা রিও ওলেম্পিক্সতা মহাক্না কেজি ৫৮ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

সক্সি মালিকনা রিও ওলেম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেদলগী মহুত্তা হেন্না থাক ব়াংখৎপা গোল্ড মেদল নৎত্রগা শিলভর মেদল লৌগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমখিবনি। অদুবু সক্সি মালিক খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইনা নুমিৎ অদু মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা মীকুপ অদু খ্বাইদগী চৈনা ফংবা ওইখি।

সক্সি মালিকনা ফাইনেল চঙবা ঙমহৌদ্রবসু ইন্দিয়াগী ওইনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবা অসি য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি। সক্সি মালিক্কা পুন্সি লৈপুন শেমখ্রবা রেষ্টলর সৈত্যব়ার্ট কাদিয়ান মশাগী চহী ২৩ শুখ্রে।

রেষ্টলর সৈত্যব়ার্ট কাদিয়ান কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকখিবা য়ুথ ওলেম্পিক্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা কম্মনব়েলথ গেমসতনা শিলভর মেদল ফংখি। লৈবাক অসিগী মশক নাইরবা রেষ্টলর অনী অসিগী পুন্সি লৈপুন শেমখিবা অদুদা হরিয়ানা ষ্টেটকী শান্নরোয় অমদি পোলিটিসিয়ন য়াওনা ব্যুজিনেসমেন কয়ানা মায়কৈ কয়াদগী য়াইফ মঙ্গল পীখি।

পুন্সি লৈপুন শেন্নবগী থৌরম অদু লৈবাক অসিগী স্পোর্টসতা মশক নাইরবা মীওই কয়ানসু সোসিএল মেদিয়াগী খূত্থাংদা য়াইফ মঙ্গল পীরকখি। মদুগী মনুংদা ক্রিকেটর বিরেন্দ্র সেহব়াগ, বোক্সর বিরেন্দ্র সিংহ, জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকর, সট্লর সাইনা নেহব়াল, পেরা এথলেট দিপা মালিক্লচিংবশিং য়াওরি।

# বেদমিন্টন আইকোন লী চোং ৱৈ চহী য়ামজরবসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থল্লি



মালেসিয়া, এপ্রিল ০৩ ঃ

মালেসিয়াগী এজিং বেদমিন্টন আইকোন লী চোং ৱৈ মশাগী চহী য়ামজরবসু হান্নগুম্না থৌনা লিংজেল চপ চানা লৈ। মরম অদুনা চহীসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা টাইটল লৌননবা কন্না হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী খ্বাইদগী মশক নাইরবা সট্লগী মনুংদা অমা ওইরিবা মালেজিয়াগী এজিং বেদমিন্টন আইকোন লী চোং ৱৈ মশাগী চহী ৩৪ শুখ্রে। ভেটরান সট্লর অসিনা হন্দক্কী চৎলিবা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া পীদুনা লাক্লি। ভেটরান ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সট্লর লী চোং ৱৈনা মমাঙগী থাদা পাঙথোকখিবা ওল ইংলেন্দ ওপন্দা চাইনাগী অন সীদেদ সী য়ুকিবু ২১-১২, ২১-১০ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা চয়োল অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মলেসিয়ন ওপন টাইটল লৌনবসু হোৎনরি।

লী চেং ৱৈনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিকমক মহাক্কী হকচাংগী ফীভমদা করিমত্তা অশোয়বা লৈতে। হৌজিক মহাক য়াম্না ফিট ওইরি। লোয়ননা থৌনাসু মহৌশাগুম হনবা লৈত্রি। মশান্না অসিদদি মহাক্না মালেমগী সট্লর খুদিংমক্কা লম্বা থেংননবগী থৌনা চপ চানা লৈরি হায়খি।

অমরোমদা লী চোং ৱৈ কুমজা ২০১৬ রিও ওলেম্পিক গেমসকী মতুংদা মশান্না অসিদগী পোৎখারগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু লী চোং ৱৈনা হৌজিক গ্লাসগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড মীটতসু অকনবা মিৎয়েং থল্লি।

লী চোং ৱৈনা হৌজিকফাওবদা টাইটল ৬৬ লৌখ্রে। লী চোং ৱৈনা কুমজা ২০১৩ অমদি ২০১৫ গী ওর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা মায়থীদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি। কুমজা ২০০৮, লন্দন ওলেম্পিক গেমস ২০১২ অমদি রিও ওলেম্পিক গেমস ২০১৬ তসু লী চোং ৱৈ ফাইনেলদা মায়থীদুনা শিলভর মেদল ফংখিবনি।

মহাক্কী পোক্লফম লমদম মালেসিয়াগী কুচিংদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা মালেসিয়ন ওপন্দা লী চোং ৱৈ অমুক হন্না মহাক্কী দিফেন্দিং টাইটল অদু লৌবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ফোঙদোকখ্রে। মালেসিয়ন ওপনগী শেম শারিঙৈদা মহাক্না ইন্দিয়ন ওপন য়াওখিদবনি হায়রি।

বেদমিন্টন ষ্টার লী চোং ৱৈ হৌজিক মহাক্কী ত্রেনিংদা হান্নগুম্না করিমত্তা হন্থবা অমত্তা উবা ফংদ্রি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ওই থংবা খুউদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা অশোকপা অমা মায়োক্নখি অদুবু অশোকপা অদু য়াম্না থিনা শোক্তবনা মরম ওইদুনা থোইদোক্না অপনবা ওইরোই হায়রি।

টোপ সীদেদ লী চোং ৱৈনা মালেসিয়া ওপন ১১ রক টাইটল লৌখ্রে। মালেমগী বেদমিন্টনগী হিষ্ট্রিদা লী চোং ৱৈনা খ্বাইদগী মায় পাকপা নুপাগী সিঙ্গলস সট্লরনি হায়না লৌনরিবনি। লী চোং ৱৈনা মথংগী চহীদা পাঙথোরক্কদবা মালেসিয়ন ওপনদসু হন্না শরুক য়াখিগনি। মালেসিয়ন ওপন অসি মহাক্না ১২ রক টাইটল লৌবা পাম্মী হায়খি।

# চহী ৫ রোম ইন্দিয়ন টিমদগী লাপ্না লৈরুরবা য়ুশুফ পথান আই পি এলদা মিৎয়েং থল্লি



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৩ ঃ

ইন্দিয়ন ক্রিকেটতগী চহী ৫ রোম লাপ্না লৈরুরবা মতুং মশক নাইরবা ওল রাউন্দর অমা ওইরিবা য়ুশুফ পথান ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) গী খুৎথাংদা চঙলক্নবা মিৎয়েং থল্লি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা য়ুশুফ পথান্না মিৎয়েং থমদুনা টি-২০ গী টিমদা হল্লক্নবগী পান্দমসু থল্লি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা ওল রাউন্দর য়ুশুফ পথান্না ফোঙদোকখিবদা ক্রিকেট হায়রিবা মশান্না অসিদা মহাক থৱায় হকচাং পূম্নমক লৈবাক অসিগীদমক কৎথোক্তুনা মতম শাংনা শান্নরকখি। মহাক্কী হৌজিক অমত্তা ঙাইরবা পান্দম অসি ইন্দিয়ন ক্রিকেটতা অমুক হল্লক্তুনা লৈবাক অসিগীদমক্তা শান্নবা ফংবা ঙম্বা অদুনি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ অসিনা মহাক কনানো হায়বা অসি লৈবাক মীয়ামদা অমুক হন্না শক তাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা ফিদানি।

আই পি এল অহুল্লক ৱিন্নর ওইখ্রবা কোলকটা নাইট রাইদরস (কে কে আর) গেল্লরি অমা কোলকটাগী ন্যু টাউন্দদা লৈবা ইকো স্পেসকী ফনাটিক স্পোর্টস ম্যুজিয়মদা মায়খুম হাংদোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাফমশিং অসি য়ুশুফ পথান্না ফোঙদোকখিবনি।

য়ুশুফ পথান্না ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিঙৈ মতমদা মহাক্না লৈবাক্কীদমক শান্নখিবা কয়া অদু নৌহৌননা নীংশিংখি।

নীংশিংবা য়াই, য়ুশুফ পথান কুমজা ২০১১ গী ৱর্ল্ড কপ ৱিন্নিং স্কাদতা য়াওখিবা মশক নাইরবা ওল রাউন্দরনি। য়ুশুফ পথানগুম্না মনিস পথানসু নেসনল টিমদা মহাক্কী মহুৎতা চঙলক্নবগী শেম শারিবনি।


মিদল ওদর বেটসমেন অমা ওইনা য়ুশুফ পথান্না বেট্টিং নম্বর থ্রিদা থোক্তুনা ফজরবা পার্ফোমেন্স কয়া পীদুনা লাকখিবনি। মমাঙদা মহাক্না বেট্টিং নম্বর থ্রিদা থোকখিবা অদুগুম্না হৌজিকসু মহাক বেট্টিং নম্বর থ্রিদা অদুমক থোকপা পাম্মী হায়খি।

য়ুশুফ পথান্না হন্দক্কী আই পি এলদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লাক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন'স ত্রোফিদা অকনবা মিৎয়েং থল্লি। হৌজিক ইন্দিয়াদা অফবা ওল রাউন্দর কয়া থোরক্লি। হৌজিক নহা ওইবা অমদি এক্সপরিএন্স লৈরবা ক্রিকেটর কয়া অমসু লৈরি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা ইন্দিয়ন টিমদা অফবা অমদি নহা ওইবা ক্রিকেটর কয়া থোরকপা উরগনি হায়রি।





Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3779/23/32-24/4



HL-P/1238/4-10



HL-P/1010/03/05-6/04